চহী চুপ্পা লেপ্তুনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

SAMSUNG লুহোং-মচল
WATER PURIFIER EUREKA FORBES FREE UV
SAMSUNG 40' LED
SAMSUNG REFRIG 3 STAR 190 LT. ₹ 52,999/-
7.2/6.5 KG WASHER
FREE ₹4999
SAMSUNG 32' LED
SAMSUNG REFRIG 3 STAR 190 LT. ₹ 40,999/-
SAMSUNG 6.5 KG OR INTEX 8 KG WASHER
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTTL.
SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMP.


# সনালৈবাক
# SANALEIBAK




৯সেক্টর আসাম রাইফলসকী টুলিহল বট্টালিয়ন্না শীদুনা ময়াং ইম্ফালদা লৈবা সিটি হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকপা লেম্না লায়েংবগী কেম্প

ঝান্সি রানীগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকপগী মতাংদা পাউমী ফাজিনবগী থৌওংদা বিজেপিগী লুচিংবা খরনা ফোঙদোরকপা ৱাফম এমএলএ জয়কিষননা শীংনবা



INTEX
WASHING MACHINE
6.2 KG = ₹ 8000
MSV72CL = ₹ 9300
7.5 KG = ₹ 9600
8KG = ₹ 10200
REFRIGERATOR
180 L GODREJ ₹ 12550 = ₹ 10500
185 L GODREJ ₹ 13400 = ₹ 11000
190 LT 3 STAR Godz = ₹ 12700
INTEX LED (3 YRS WARRANTY)
50' LED SMART = ₹ 37500
55' SMART LED 4K = ₹ 48000
43' LED FULL HD = ₹ 24000
40' LED = ₹ 21500
32' LED (TV) = ₹ 13600
24' LED (TV) = ₹ 9300
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

Volumn No: 43 Issue: 7 IMPHAL, MONDAY 3 DECEMBER, 2018 নিংথৌকাবা, হিয়াঙ্গেগী ২৬ নি পানবা www.sanaleibak.in RNI Regd. No. 31350/77 PAGE : 8 Price:Rs 3.60

**পেট্রোল, ডিজলগী মমল**

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৮.১১
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬২.৬৮

## নমদুনা ফম্লানবদা চেন্নবা মীওই অমগী ময়ুম থুগায়খ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২ঃ শান্দোকপা য়ুম অমদা লৈবী মশাগী চহী১১ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা নমদুনা ফম্লানখি হায়বগী মরাল শিরদুনা মীয়াম্না ৱাথোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই অমগী ময়ুম ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা থুগায়খ্রে। নমদুনা ফম্লানবগী মরাল শিরদুনা ময়ুম মৈ থাখ্রবা মীওই অদু মমাং থা গী ২৯দা পুলিসনা ফাখ্রবনি। মহাক লঙ্গোল নিংথৌ লৈকায়দগী ওইনাম ফ্রান্সিস এলাইজ তোম্বা(২৭) অপোকপগী মিং মঙ্গী কৌই। য়ুম থুগায়বগী থৌদোক অসি ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ রোম তাবদা থোকখিবনি। ফম্লানবীখ্রে হায়রিবী নুপীমচা অদুগী মমানা পাউমীশিংদা হায়খি, মহাক্কী মচানুপীবু ফ্রন্সিস এলাইজ তোম্বনা নবেম্বর ২৫দা নত্তবা লিচৎ চখবিখ্রে অমদি নুমীৎতুদা মহাক্কী মচানুপীনা শেৎপা ফনেক অদু ফ্রান্সিসকী মমা ওইনাম ওংবী চাওবা দেবীনা মহাক্কী মচানুপীদা লুপা ২০ পিগে হায়রগা শুদোকহনখ্রে হায়বসিসু খঙখি। পাউ অদু তান্নরকপদগী নবেম্বর ২৭তা লৈকায় মীয়াম্না ফ্রান্সিসকী য়ুমদা থোমজিন্দুনা ইমুংগী পোৎ চৈ খরা থুগায়খি অমদি পুলিস কমপ্লেন্ট তৌবদগী ফ্রান্সিস এলাইজ তোম্বা পুলিসনা ফাখিবনি।

মখা লমায় ৬তা

**GOLD PRICE 10G/24K**

DELHI : RUPEES 31,355.00/-
KOLKATA: RUPEES 31,250.00/-
BENGALURU: RUPEES 31,310.00 /-

**FOREX (INDIA RUPES)**

US DOLLAR : 1 USD = 69.71064 INR
POUND : 1 GBP = 88.84271 INR
CHINES YUAN: 1 CNY = 10.01714 INR

**অঙৈং–অশা**

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৪.২° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ৫.৮° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০০
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং– ৫.৪৩
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৪.২৫

**ৱাখলগী চিঞ্জাক**

নহাক্লা হোৎনবা লেপত্রিবা ফাওবদি নহাক মায়থিদ্রিবনি

**গ্যাসকী পাউ লাঃ ৫ দা**

**লোইরেদনা**

কদাইদনোনে ময়াম্না তান্নে হায়সিবো ঐ তৌগে...



ঙাইখোদা মোই পাবুঙ! মোবাইলদা থাগৎলকপবু শেঙইসু খঙদনা...

**হেক্তা হায়জিনবা**

লোৎখো হে শকলোৎপা

কনানো নঙবু শকখঙদবা
শাগী মবুক হোগাইবা
উচেক্কী মশা শেগাইবা
মীগী মশাদা চিকখাইবা
চোং চোংদুনা মাঙখিবা
কনানো নঙবু শকলোৎপা
মফম খুদিং শকওনবা
ফেসবুক্কী হেরো কুমলিবা
য়ুটুপতা শাদোং ওইরিবা
তোকঙানা য়াইবী হাপলিবা
কনানো নঙবু শকখঙদবা
লোৎখো হে শকলোৎলিবা
ৱারী লেপ্তনা তানবা
খবরগী পাও ৱাৎতনবা
হায়জিনবা য়াবা হায়জিন্নবা
কনানো নঙবু শকখঙদবা

দেরাদুনগী ৱাইল্ড লাইফ ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিং থুংলরে

# মীয়ামদা তম্নরিবা শা ফানবা কেমেরা ট্রেপশিং খিন্দুনা থীজিনবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২ (এস এন এস) ঃ হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী মণিপুরদা তম্নলাইগী শত্তম লৌদুনা মীয়ামদা মীপাই–থবাইবা পোকহল্লিবা শাশিংগী খোঙ্গুল লীননবা ৱাইল্ডলাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া, দেহরাদুনগী সাইন্টিষ্টশিং ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে।

মখোয়না ইম্ফালদা হেক থুংলবগা মীয়ামদা তম্নরিবা শা ফানবা মফম কয়ামরুমদা কেমেরা ট্রেপশিং খিন্দুনা থীজিনবা হৌখ্রে। য়ুমদা য়োকপা শা–উচেকশিং হাৎতুনা চাবনি হায়না চিংনবা শাশিংগী খোঙ্গুলশিংগী ফোটোগ্রাফশিংসু টিম অসিনা লৌখিখ্রে। নোংমা–নীনিসিগী মনুংদা করম্বা মখলগী শানো হায়বা চপ–চানা খঙবা ঙল্লবা য়াই।

ইন্সটিট্যুট অসিগী সেনিয়ার সাইন্টিষ্ট ডা. গোপি জি ভি অমসুং রিসার্ছ স্কোলার ওইনা লৈরিবা আইসো শর্ম্মা অধিকারিময়ুম ঙসি নুংথিল পুং ১২.৩০ রোম তাবা মতমদা ইম্ফালদা থুংলখিবনি। মখোয়না ইম্ফালদা হেক থুংলবগা প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট অমসুং হেদ ওফ ফোরেষ্ট ফোর্স য়াওনা ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱারি শান্নখি।



মখোয়না নুমিদাংৱাইরমদা থৌদোক থোকখিবা মফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সঙাইপ্রৌ মনিং লৈকাইদা চত্তুনা মফম অদুদা কেমেরা ত্রেপ খিন্দুনা শা মশক খঙদোক্লবা থৌরাং তৌবা হৌখ্রে।

ঙসি পাউমী খরগা অখন্ননা উন্নবা অমদা ডা. গোপী জি ভিনা হায়, থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা ওফিসিয়েলশিংদগী অকুপ্পা পাউ খরা ফংবা ঙল্লে। থৌদোক অসি য়াম্না লাইবক থিবা অমনি।

মসি মহৌশানা থোক্কনবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমনি। মসিগা মান্নবা থৌদোক মমাঙগী চহীগী জুলাই থাদগী নবেম্বর থা ফাওবা উরিষাগী নাইরিদা থোকখি। মফম অদুদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা হাৎখিবা শা উচেককী মশীংনা মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা অসিদগী য়াম্না হেনলি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱাইল্ডলাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়াগী সাইন্টিষ্টশিংনা থিজিনলুবা মতমদা মদু ইন্দিয়ান ৱোলভসনা থোকহনবা ওইরমখি।

মণিপুরদসু হৌজিক ফিভম অসিনা মীয়ামদা মীপায়বা পোকহনলে। মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা অসিগা উরিষাগী থৌদোক্কা মান্নরবসু ইন্দিয়াল ভোলভস অসি মণিপুরদা ফংবা থেংনদে। মসি অচৌবা শিংনবা অমনি হায়না লৌবগা লোয়ননা করম্বা শানা থৌদোক অসি থোকহনবনো হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনগনি। চত্থরিবা থৌওং অসি ইকোলোজিকেল টার্মদা সর্প্লস কিল্লিং হায়রগা খঙনৈ। মসি লমলক্কী শা অয়াম্বনা চত্থবা থৌওং অমনি। করিগুম্বা মতমদা য়ুমদা লোইরিবা হুইশিংদু মসি চথৈ।

মখা লমায় ৬তা

# সোসিয়েল মেদিয়াদা তোকঙা শন্দোকপা থিংবিনবা ৱাকৎখ্রে

## শা–উচেকশিং হাৎপদা হূই চেন্নবগী চিংনবা লৈরেঃপিএফএ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২ (এস এন এস) ঃ হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা শকখঙদবা শানা য়ুমশা কয়াদা লান্দা চত্থবা অসিগা মরি লৈননা সোসিয়েল মেদিয়াদা মীয়াম মীপায়বা য়াবা মওংদা থবক কয়া চত্থরকপা অসি য়েংলগা মসিগুম্বা ভিদিও নৎত্রগা ফোটোগ্রাফ কয়া থাগৎলকপা অসি থিংবিনবা থবক লৌখৎপীনবা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট অমসুং হেদ ওফ ফোরেষ্ট ফোর্স কেরেলহৌভি অঙ্গামী, আই এফ এসনা মণিপুরগী দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এল এম খৌটেদা অইবা চেরোল অমা পীশিন দুনা ৱাকৎখ্রে।

দি জি পিদা ইখিবা চেরোল অদুদা পনখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা লমশানি চিংনবা শাশিংনা য়ুমদা য়োকপা শা কয়াদা লান্দা চত্থবগী পাউ কয়া মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা লেপ্তুনা চত্থরকপগী পাউ লৈরি।

মতম অসিদা লমদম অসিগী চমজরবা প্রজা কয়াবু অকি তুজুংবা পোকহনবা য়াবা ভিদিও অমসুং ফোটোগ্রাফ কয়া সোসিয়েল মেদিয়াগী খুত্থাংদা থাগৎনরক্লি।

থৌদোক থোকখিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ৱাইল্ডলাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়াগী ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংগা লোয়ননা অশেংবা অমা খঙদোক্লবা থবক লৌখৎপা হৌখ্রবনি।

মদু ফাওবদা শেমজিন শাজিনবা ঈ পাউশিং, ফোটোগ্রাফশিং, ভিদিও কয়া লেপ্তুনা সোসিয়েল মেদিয়াশিংদা থাগৎনরক্লি।

অরানবা পাউ কয়া অসিনা মীয়ামগী মীপায়বা হেনগৎহন্দুনা লমদম অসিগী লো অমসুং ওর্দরগী ফিভমদা অকায়বা লাকহনবা য়াই।

দিষ্ট্রিক্ট শিংগী দিপ্যুটি কম্মিস্নারশিং, সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিসশিং, দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসারশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ভেটেরিনারি ওফিসারশিং য়াওবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল তাক্স ফোর্স শেমদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা অশেংবা খঙদোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাঙবীনবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ দিপার্টমেন্টতা প্রপোজেল লানখৎখিবা লৈখ্রবনি।

অদুম ওইনমক মীয়ামগী পুক্নিংদা ফাওরিবা অকিবা অসি কোকহন্নবা হোৎনবদা সাইবর পুলিসনা সোসিয়েল মেদিয়াদা লাক্লিবা ঈ পাউশিং অসি য়েংশিনবা দরকার লৈরি অমসুং অচুম্বা ঈ পাউতমক চৎহনবা দরকার লৈ। মীয়ামদা অরানবা পাউ শন্দোক্লিবশিং অদুবু আইনগী মতুংইন্না বুক তৌবা দরকার লৈ হায়না পল্লি।

মরম অসিনা মরি লৈনবা পুলিসকী সাইবর ৱিংদা অসিগুম্বা অরানবা মওং মরিল তাদবা ঈপাউশিং অসি কুপ্না য়েংশিনবীনবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়না ইখি।

অমরোমদা, মণিপুরগী মফম কয়াদা হন্দক মরক য়ুমদা য়োকপা য়েন, ঙানু অমদি ওকনচিংবা হাৎপা অমসুং শোকহনবগী থৌদোকশিংদা য়ুমদা য়োক্লরিবা হূইশিংসু অচৌবা শরুক য়াব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়না পীপলস ফোর এনিমেলস, মণিপুরগী মেনেজিং ট্রষ্টি এল বিশ্বরজিৎ মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মীয়াম্না মীপাইনরিবা থৌদোকশিং অসিদা লন্নক্কী শা–উচেকশিংসু চেন্নবগী খুদমশিং ফঙলি। থৌদোকশিং অসিদা লন্নক্কী অপীকপা শা–উচেকশিং চেন্নবগী খুদমসু ফঙলি। থৌদোক থোকফমশিংদা হূইগী মানবা খোঙ্গুলশিং ফঙখিবা অদুবু মপুং ফাহনবা ওইনা চীংমৈরোংদা থম্বা সিসিটিভি কেমেরাদা অহিংদা য়ুমগী হূইনা ঙানু চিকপা, হাৎনবা হোৎনবা থেংনরে। মফম অদু অসিগুম্বা য়ুমদা য়োকপা শা–উচেক হাৎলম্বগী থৌদোক অনীরক থোকখিবা মফমনি।

মখা লমায় ৬তা

# বি জে পিনা কন্সটিট্যুসন থুগায়দে হায়রবদি মীয়াম মমাঙদা ফোঙনা ঙাঙনসিঃ জয়কিষন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২ (এস এন এস) ঃ মণিপুরদা লৈঙাক পায়রিবশিং অমসুং বি জে পিনা লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসন থুগায়দে হায়রবদি মখোয়গী এম এল এ দগী তাদবা অমগা মীয়াম মমাঙদা ফোঙনা ঙাঙনসি হায়না এম এল এ, কেঐচ জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি খোয়াথোং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, বি জে পিনা কন্সটিট্যুসন মশক খঙদে হায়বসি ময়েক লারবা খুদম কয়া লৈরিবনি। কংগ্রেসতা ভোট কাবা এম এল এ অমবু বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিদা চোংশিনহন্দুনা নম্ফুদা সাসন পায়রিবা অসি কন্সটিট্যুসনগী চৎনা কাঙলোন থুগায়বনি।

বি জে পিগী গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী মায়োক্তা কনাগুম্বনা ৱা ঙাঙলুরবদি হেক্তা ফাজিন পুনশিনদুনা থল্লগা মরাল অমা শিজিনবগী থবক চত্থবা অসি তৌহন্নিংদে। বি জে পিনা লমদম অসিদা চত্থরিবা অরানবা থৌওংশিং অদু হেক চুমথোক্ত্রিবমখৈ হজিন–হজিন্না নাকোংদা তানবা লাওশিনখিগনি হায়খি।

কিশোরচন্দ্র ৱাংখেমচা এন এস এ তাফম থোকই থোক্তে হায়বসি জুদিসিয়ারিদা লৈরিবশিংনা লেপকদবনি। মসিদা থোইদোকপা ৱাফম লৈতে।

মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইবনা বি জে পিনা ঝান্সি রানিগী থৌরম পাঙথোকপদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে। মদুদা মণিপুরগী ৱাখল্লোন্দা লুপচবা অমা ওইন সোসিয়েল মেদিয়াদা করিগুম্বা পেন্দবা খরা ফোঙদোকপদা হায়রোইদৌবা ৱাফম হায়রম্বা য়াই।

অদুবু মেজিষ্ট্রেট অমনা মীওই অদুনা চত্থিবা থৌওং অদু বেলদা থোকপা য়াই খন্না বেলদা থাদোক্লবা মতুংদা পুং ২৪গী মনুংদা অমুক ফাজিল্লগা এন এস এ পানশিখিবা অসিদা মীয়াম্না পেন্নদ্রিবনি।

বি জে পিনা মণিপুরগী নীংতম লানদা থৌনা ফনা লমদম অসিগী নীংতম্বা কন্নবা লাম্ছেংনদুনা থৱায় কখোকখিবা হিরাচন্দ্র, চীংলেনসনা, মহারানি লিম্ছোইঙাম্বীনচিংবগী নীংশিং থৌরমদি করিগী পাঙথোক্তবনো। বি জে পি অসি সেক্যুলার পার্টি অমনি হায়না ক্লেম তৌজরবদি করিগীদমক মণিপুরগী নিংতম লান্দা থৱায় কখোকখিবা মুস্লিম থৌনা ফরবশিং খুলৈবম খেলা অমসুং সেরসাহ মককময়ুমবু করিগী নিংশিংবীদবগে হায়খি।

কিশোরচন্দ্রবু এন এস এ পানশিন দুনা ফাজিনবা অসিদা মপান লমদগী লুপ কয়ানা ঙসিদি খোল্লাউ কয়া লাওরক্লে। হৌজিক লৈরিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী অৱাবা য়েংবীরগা মহাকপু থাদোকপীরকপনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। মদু নত্তদুনা শক্তি পায়রে তৌনিংবতা তৌগনি হায়বগী মওংদা মী পংফাদা ফাজিনবদি অচুম্বা খোঙথাং ওইরোই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ইং ২০১৯ দগী তকদোগী মপোক কুমওন দিসেম্বর ১২ অসিদা অচৌবা মরাথোন লমজেল অমা পাঙথোক্তুনা মদুদা মকোক মথং তারবশিংবু মণিপুরগী অথৌবশিংগী মিংদা মিং থেল পীদুনা মনা মথুমশিং পীগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# লৌউ–শিংউবগী খূৎলাইশিং চাদ ৯০ সবসিদি পীরগনিঃসিএম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২ (এস এন এস) ঃ লৌউ–শিংউবদা শীজিন্নরিবা খূৎশু–খূৎলাইশিং চাদ ৯০ ফাওবা সবসিদি পীরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অমসুং মণিপুর ফার্ম এন্টরপ্রাইজ প্রাইভেট লিমিটেদ অনীনা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকপা মণিপুর ফার্ম এগ্রি ইক্কীপমেন্ট এক্সিবিসন অমসুং রবি কেম্পেইন ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, লৌমীশিংনা পাক হেক লৈবা ঙমদবা ট্রেক্টরগুম্বা নৎত্রগা পৱার টিল্লরগুম্বদনা সবসিদি চাদ ৯০ ফাওবা পীরগসু লুপা লাক্ষ অমা–অনী পীবা লৌউবদা তঙাই ফদনা শীজিন্নদবা য়াদবা খূৎশু–খূৎলাইশিংদি চাদ–চাদ সবসিদি পীননবা লৈঙাক্লা য়েংশিনবা হৌরে। অদুমকপু পীগদৌরিবা খূৎশু–খূৎলাইশিং অসি কাঙলোন অমগী মখাদা লৌমীশিংদা ফঙহনগনি।

হৌখিবা চহী কয়াদা লৈঙাক কয়া পানখ্রে, ওফিসার কয়ানা লিশাং শিংনা থবক তৌদুনা লাকখ্রে। অদুবু লমদম অসিগী লৌমীশিংগী ফিভম



ইফ– ফগৎপা উদ্রিবসি করিগীনো হায়বা নৈনবা তঙাই ফদে।

মহাক্না হায়, ইং ২০২২ ফাওবদা লৌমীশিংগী ইনকম অসি শরুক অনি ওইহন্না পান্দমদা চংশিনলক্লিবা অসি মায় পাকপা মতমদা লমদম অসিদা পোত্থোক হেনগৎপগা লোয়ননা ইশানা ইরোমদোম লেপচবা ঙমগদৌরিবনি।

হৌজিক ওফিস কারগা ফমদুনা লৈবগী মতম নত্তে। লৌউ শিংউবগী পোত্থোক হেনগৎহনবদা লৌমীখক্তদা থাদোকপা মতম নত্রে। মণিপুরগী লৌবুকশিংদা ঈথৈ লৌখোঙগী খুদোংচাবা পীনবগীদমক দোলাইথাবী প্রোজেক্ট অমসুং থৌবাল মল্টি পর্পজ প্রোজেক্ট অমসুং লোক্তাক লিফ্ট ইরিগেসন প্রোজেক্টকী মখাদা মফমশিং খন্দোক্লগা ঈশিং পীদুনা মিসন মোদতা থবক পায়খৎনবা হোৎনরি হায়খি।

লমদম অসিগী ওইনা ফার্ম মেছিনরিশিং অসি নিয়ম অমগী মখাদা শিজিন্নহন্নবা পোলিসি অমা গভর্ণমেন্টনা শেল্লগনি। গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা স্কিম কয়া অসি লৌমীশিংদা য়ৌহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

পোলিতিসিয়ানশিং অমসুং ওফিসিয়েলশিংনা থম্মোয় শেঙনা থবক তৌবা মতমদা চহি ১০ দা মণিপুর অসি মালেমগী লৈবাকশিংদগী তাদবা ষ্টেট অমা ওইগনি।

মণিপুর ঙসিদি হিরম কয়াদা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী য়াম্না শোত্থনা চৎলি। মসি খোঙজেল হেন্না য়াংখৎনা চংশিন্দবা য়ারোই। পাৎ মরাং কায়না লৈবা, ঈশিং মরাং কায়না ফংবা লমদম অসিদা করিগী মপান দগী অপুম্বা ঙা চাগদৌরিবনো।

মসিগী ৱাখল্লোন অসিগী মখাদা গভর্ণমেন্টনা লোক্তাক লাইভলিহুদ মিসনগী মখাদা লোক্তাক পাৎকী শরুকসু ওইদবা অমসুং লৌউ শিংউ তৌবগী খুদোংচাবসু লৈতবা মফমশিং তৌথোক্লগা মদুদগী পুথোকপা ফুমদিনা হার শেম্বা অদুগা তৌথোকখিবা মফমশিং অদুনা ঙা য়োক্তুনা ইং ২০২০ ফাওবগী মনুংদা মপান লমদগী ঙা পুশিনলক্তনা মণিপুরগী পোত্থোক্লা চাবা কোন্ননবা থৌরাং লৌখৎলে হায়খি।

মখা লমায় ৬তা

# মণিপুর পুলিসনা শীজিন্নবা স্পেক্ট্রমগী মমল থোরক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২ (এস এন এস) ঃ মণিপুর পুলিসনা কুমজা ২০০৮দগী হৌজিক ফাওবদা শীজিন্নখিবা স্পেক্ট্রমগী মমল অথুবদা পীননবা ৱেয়রলেস প্লানিং কম্মিসন্না মণিপুর লৈঙাক্তা খঙহল্লকখ্রে।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফঙবা পাউনা হায়, মণিপুর পুলিসনা হৌজিক–হৌজিক শীজিন্নরিবা মখল কয়াগী ৱেয়রলেস সেটশিং অসিগী মমলগা য়েংবদা হায়ফেৎ মান্নবা থা অমগী স্পেক্ট্রমগী চার্জশিং অদু পীরক্কদবনি হায়না তোয়না তকশিল্লক্লে। হায়রিবা শেনফম অসি অন্ধ্রপ্রদেশ য়াওনা ষ্টেট খরগীদি পীখৎলক্লে হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, ৱেয়রলেস সেটশিং শীজিন্নবগী স্পেক্ট্রমগী মমল অসি মণিপুরগী ওইনা চহী অমদা চাউরাক্লা লুপা ক্রোর অমরোমনি। কুমজা ২০০দগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা পারগদি লুপা ক্রোর ১০গী মথক্তা পীনিংঙাই লৈরে।

স্পেক্ট্রমগী শীজিনবগী মমল অসি ফ্রিক্কেন্সি স্পোটকী মশীং



অমসুং ৱায়রলেস সেট মশীংগা য়াম্না মরী লৈনৈ। স্পোট য়াম্না শীজিন্নবা অমসুং সেট মশীং য়াম্লগনা শেল চাউই। স্পেক্ট্রমগী চার্জ অসি পুলিসনা হৌজিক শীজিন্নরিবা অপীকপা ৱাকি–টোকি অমগী মমলগা মান্নে। সেট মখল অসি চাউরাক্লা লুপা ২০,০০০ পীবনি। অদুগা স্পেক্ট্রমগী মমলসু চহী অমদা লুপা ২০,০০০ য়ৌগনি হায়না পানরি।

মণিপুর পুলিস নৎত্রগা অতৈ পুলিস ফোর্সশিং অসি লৈবাক অমগী নৎত্রগা ষ্টেট অসিগী রেভিন্যু লাক্লবগী লিংখৎপা দিপার্টমেন্ট ওইদে। মসিদি ষ্টেট অমগী তঙাই ফদনা লো এন্দ ওর্ডর ঙাকপদা শীজিন্নবা ওইবনা মীয়ামগী সার্ভিসকীদমক থম্বনি হায়না লৌবসু য়াই। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা স্পেক্ট্রমগী চার্জ লৌগনি হায়না ফিরেপ লৌখিবসি মণিপুরগী ওইনদি খ্বাইদগী লাইবক থীবা ওইগদৌরি।

মণিপুর পুলিসকী বজেটতা স্পেক্ট্রম শীজিন্নবগী চার্জ পীননবা শেনফম য়াওদে। ৱাফম অসি মণিপুর লৈঙাক্লা কুপ্না নৈনরগা অহেনবা শেনফম পীদ্রগদি পুলিস দিপার্টমেন্টনা স্পেক্ট্রমগী চার্জ পীথোকপা ঙম্বগী মতিক–ময়াই লৈতে হায়রি।

মণিপুরগুম্বা লাইরবা ষ্টেটশিং খুদম ওইনা পল্লবদা লৈবাক অসিগী অৱাংনোংপোক ষ্টেটশিংগী মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনা স্পেক্ট্রমগী চার্জ লৌবীদনবা য়াম্না কন্না তক্করি। অদুমকপু ষ্টেট খরনা মখোয়গী পুলিসনা শীজিন্নরিবা স্পেক্ট্রমগী মমল পীথোরকপা লৈখিবা মরম্না মণিপুরগুম্বা অতৈ ষ্টেটশিংসু শেনফম অসি পীদবা য়াদবগী ফিভম লৈরে হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

অদুমকপু স্পিসিয়েল কেটগোরি ষ্টেটসতা লৈরিবা মণিপুরগীদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং অসি হন্দোকপীনবা লৈঙাক্লা তক্লরগদি অখন্নবা থৌশিল অমা শেল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়রি।

অদুমকপু হৌজিকমক্কী ওইনদি শেনফমশিং অসি পীথোক্তবনা মরম ওইরগা ৱেয়রলেস কম্যুনিকেসনদা অকনবা থোকররকপা য়াই হায়রি।

## মোরেদা পুশিন্নবা হোৎনরম্বা খৈনি গারী মপোৎ অমা ফারে

তেংনৌপল, দিসেম্বর ২ (এস এন এস) ঃ ঙরাং নুমিদাং অথেঙবা পুং ১১.২০ লোম তারকপদা ইম্ফালদগী মোরে তম্না পুশিন্নবা হোৎনরম্বা টাটা মেজিক অমা পীক থনবা খৈনি অমসুং সাজনশিং তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন–চার্জনা লুচিংবা টিম অমনা ফারগা ফুদ সেফটি ওফিসিয়েলশিংদা খূৎশিন্ননবা থবক লৌখৎলে হায়রি।

য়াম্লবা খৈনি অমসুং সাজনশিং পূশিল্লম্বা মীওইশিং অদুনা লাইশ্রম অজিৎ (২৫), অপোকপা এল অমুচান, ৱাংজিং বাজার, সোরাইশম প্রেমচান্দ (২৮), অপোকপা এস শামু, লমদিং চেরাপুর, শুভম প্রকাশ শন্নু (২০), অপোকপা রাম প্রকাশ, টেলিপতিনি।

মখোয়দগী ফাগৎখিবশিংনা সাজন (খৈনি) পেকেট ১২৫ / ১২৫ য়াওবা বোরা ৫ পুন্না পেকেট–৬২৫ অমসুং খৈনি (গোল্ডন) বোক্স–৫৪০ য়াওবা কার্তুন ৩৫ (পুন্না খৈনি বোক্স–১৮,৯০০)নি হায়রি। মীওই ৫ অসিনা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অসি টাটা মেজিক এমএন–০৬। এল–এ–৩৫৮১দা হাপ্লগা পুশিল্লকপদা তেংনৌপল সাইবোম এরিয়াদগী ফাবনি হায়রি।

## এক্সিদেন্টদা নুপী অমনা শিরে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২ঃ সন্ত্রো কারনা থোম্বদা নুপী অমা লায়কন্নবা ঙমদনা শিরে। থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা চীঙরেলদা থোকখিবনি। থৌদোকসিদা লৈখিদ্রবা নুপী অদুগী মমিং লাইশ্রম লাইরেনতোম্বী (৬০) মপুরোইবা ইবোপিশক কৌই, ৱাইতোন অৱাং লৈকাইদগীনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রেসনা ফংবা পাউদা, শওম্বুং খুঞ্জাওদগী গাংমৈ পোংখাংলুং (৩২) অপোকপা গাংমৈ মংলেমজাও কৌবা মীওই অসিনা থৌরকপা সন্ত্রো কার দিএলঐচসিএনএ–০৭১৫ অসি শওম্বুংলোমদগী চীংঙারেল লোমদা থৌরকপগী লম্বীদা নাকলদা চৎলম্বা মীওই খরা থোম্লম্লগা চেনখিবদগী চীংঙারেল থোংদা মীয়াম্না ফাখি হায়রি। থোম্লম্বা অদুদা লাইরেনতোম্বী শোকপদগী লায়কন্নবা নংদনা লৈখিদবনি। মীয়াম্না ফারবা কার অদুবু থৌরকখিবা গাংমৈ পোংখাংলুং পুলিসতা শিন্নখ্রে। মহাক আইআরবি ওইবনি সজিৱা জেলদা দ্যুটি তাবনি হায়রি।

## নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎলম্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২ঃ শকখঙদবশিংনা মীওই অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না থৌদোক অসি চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী চুরাচান্দপুর পুলিসনা কোনবা খুগা তুরেল ময়াদা লৈবা ষ্টোন ক্রচর অমগী মনাক্তা থোকখিবনি। মীওই অদু হায়রিবা মফমসিদা শিরগা তাদুনা লৈরমখিবনি। লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং হাওগোমাং (৩৭) কৌই। চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী এস মোলনোম ভিলেজদগী থাংখমগী মচানুপানি। মহাক হান্না য়ুনাইটেদ সোসিয়েলিষ্ট রিভোলুশন্নরি অর্মি(য়ুএসআরএ) য়াওরম্বা মীওইনি হায়রি। মহাক কনানা করিগীদমক হাৎলম্বনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

সনালৈবাক্কী মরুওইবা টেলিফোন নম্বরশিংঃ ঈ–পাউ পীবিনীংবশিংনা 7629854023 অমসুং 9862015179(নিউজ কোওদিনেটর), এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9958998160/9856429698দা, গ্যাস অমদি ওফিসকীনা 9402247588দা পাউ পীবিবা য়াগনি